ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯴, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ২৪, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১৭৫শুবা মশীং

# নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন

## রাম মাধবকী ৱাফম থবক্তা ওন্থোকপা ঙমগদৌরিবরা

নাগালেন্দদা মতম চুপ্পগী ওইনা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী পান্দমদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন চহী অসিগী মনুংদা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা ফোঙদোকখ্রে। বি জে পি নাগালেন্দ য়ুনিটনা শীন্দুনা ৱোখা টাওনদা পাঙথোকখিবা জন জগরন অভিয়ানগী থৌরমদা অৱাং নোংপোক অমদি কাশ্মিরগী থৌরম পুবা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা হায়খি, সেন্টরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগী লৈঙাক লৈবগা লোয়ননা নাগালেন্দদসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈবা মরম্না কন্সটিট্যুসনগী মখাদা নাগালেন্দগী মীয়ামদা অখন্নবা ঙাক্লৌ পীবদা কনামত্তনা খূৎ থিংজিনবা ঙম্লোই। নাকল অমরোমদা নাগা ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এন এস এফ)না সেপ্টেম্বর ২৫ দা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ অমা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা অথুবা মতমদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কবা তকশিনগদৌরি। তৌবগীবুদি কুমজা ১৯৫০গী পরিংদগী নীংতম্বা নৎত্রগা ওটোনোমি তান্দুনা লাকখিবা নাগা লালহৌলূপশিংগা য়াশিন্নবা পুরকপা হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াম্না তঙাইফদ্রবা থৌরাং অমনি হায়না লৌবা য়াই। নাগা ৱাথোক্কী পুৱারী নৈনবা মতমদা অঙ্গামি জাপু ফিজোনা কুমজা ১৯৪৭তা নাগা ট্রাইবশিং অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবগী পান্দমদা নাগা নেসনল কাওন্সিল (এন এন সী) শেমখিবদু নীংশিংবা য়াই। কুমজা ১৯৫০গী অঙনবা শরুক্তা নাগা লালহৌ কনখৎলকপগা লোয়ননা আর্মি অমসুং পুলিস আওটপোষ্টশিংদা এটেক চৎথবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৫৮দা আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পাৱরস) এক্ট থমজিল্লবা মতুংদা নাগা লালহৌবগী ঈহৌ নমথনবা হোৎনখি। মতমদুদা এ জেদ ফিজোনা নাগা ফেদরেল গভর্ণমেন্ট (এন এফ জি) অমসুং নাগা ফেদরেল আর্মি (এন এফ এ) লিংখৎতুনা নাগাশিংগী লালহৌ কনখৎলকখি। মতম শাংনা নাকল অনী মুক্নদুনা লাকখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৭৫ দা এন এন সী, এন এফ জি অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শিলোং একোর্দ খূৎয়েক পীনখিবদগী নাগা লালহৌবশিংনা নীংতম্বা তানবগী খোঙফম হন্দোক্তুনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মখাদা খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজবা হায়না য়ানখি।

নাগা কয়ামরুম্না এগ্রীমেন্ট অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮০দা নেসনল সোসলিষ্ট কাওন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) শেমদুনা খূৎলায় পায়বগী ঈহৌ মখা চৎথরকখি। লুচিংবা মশেল মোৎ মান্নরক্তবা মরম্না কুমজা ১৯৮৮দা এন এস সী এন মচেৎ তাদুনা আইসাক-মুইভানা লুচিংবা কাঙলূপ অমা অমসুং এস এস খপলাংনা লুচিংবা কাঙলূপ অমা থোরকখি। কুমজা ১৯৯৭তা আইসাক-মুইভানা লুচিংবা কাঙলূপনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সীজ ফায়র এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা নাকল অনী কয়ারক হন্না ৱারী শানদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫গী ওগষ্টতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবশিংনা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবা মতমদা অরোইবা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়না থাজনখি। অদুবু চহী ৪ হৌখ্রবা ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি নাগা লালহৌলূপ খুদিংমক ৱারী শানবদা য়াওহনবা ঙমদবননি হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা মোত পীরি। কাইনথংদা নাগা লালহৌলূপ তরুক নিগোসিয়েসনদা য়াওহনবা ঙমখ্রবসু হৌজিক ফাওবা এন এস সী এন-কেদি ৱারী শানবদা য়াওহনবা ঙমদ্রি। মসিমক্না অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবগী মরু ওইবা মরমনি হায়না লৌনরি। অদুম ওইনমক নাগালেন্দগী গভর্ণর আর এন রবি অমসুং বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা চহী অসিগী মনুংদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়না ইফোং ফোংনা লাউথোরক্লবনিনা করিগুম্বা খরদি শোয়দনা য়ানরল্লগনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। এন এস সী এন-আই এমনা নাগা তাবা মফম পূম্নমক এনমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনগদবনি হায়না মতম কয়াগী মমাঙদগী তকশিন্দুনা লাকখিবা মরম্না হন্দক অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরে হায়রকপদা মণিপুর য়াওনা য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামদা লাংতক্নবা ফাওহল্লকপনি হায়বা য়াই। করম্বা ৱাফমদা মতৌ করম্না অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবনো হায়বা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্তবা মরম্না হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)না শীল্লগা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ কায়হন্দনবগী মতাংদা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌমিন্নখিবনি। মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা সেন্টরনা প্রসিদেন্ট রুল থমজিল্লগা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগুম মণিপুরদসু পোলিটিকেলগী দচরাংনবা ফীভম অসিগী খূদোংচাবা লৌরগা প্রসিদেন্ট রুল থমজিল্লবা মতুংদা অপূনবা শক্তম অমদি ঙমখৈদা অকায়বা পীরকপা য়াবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লখি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবসি সেন্টরনা কাঙলূপ অমগী মনীং থুংহন্নবা হোৎনবদা অতোপ্পা কাঙলূপ কয়াগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎফম থোকপরা হায়বদুনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগী ঈহুল খঙনা তুংদা থোক্লকপা য়াবা থৌদোক পূম্নমক সেন্টরগী লুচিংবশিংদা ময়েক শেংনা খঙহলহৌবা চুমগনি।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### লম্বী ঈশিং থুম্বা চিংথোক্লবা আই এম সীগী ৱাটর পম্প লৈত্রব্রা?

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এরিয়াদা মীয়াম্না তোয়না চৎথোক চৎশিন তৌরিবা লম্বীদা নোং খরা কন্না হেক তাবদা ঈশিং তোইনা থুমজিল্লিবা মফমশিং অসিদগী খুদক্কী ওইনা ঈশিং চিংথোক্লবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱাটর পম্প সেদ অমত্তা লৈত্রবরা? নোং কন্না তারকপদা ঈশিং তোইনা থুল্লিবা মফমশিংদি পাওনা কৈথেল, কোনুংগী গেট মমাঙ, অন্দ্রো পার্কিং, ককৱা অসেম লৈকায়, শগোলবন্দ এরিয়া, থোংঙাম লৈকায়, শিংজমৈ ময়েংবম লৈকায়, থৌদা ভাবোক লৈকায় অমদি উরিপোক শামুশঙ এরিয়ানি। অকনবা নোং তাখ্রবা মতুংদা মতম শাংনা ঈশিং তুংদুনা লৈবনা মীয়ামগী চথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা আই এম সীনা ৱাটর পম্প লৈরগদি মতম শাংনা ঈশিং তুংদুনা লৈরিবা মফমশিং অসিদগী ঈশিং চিংথোকপা য়াম্না মরু ওই।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অচৌবা সিটি অমা ওইরিবা মুম্বাইগী ডোক্টর অম্বেদকর রোদ, পরেল এরিয়াগী ওভর ব্রিজনচিংবা মনাক্তা অকনবা নোং হেক তাবদা ঈশিংনা খুকউ মথক্তা চেল্লি। অদুবু মুম্বাইগী ট্রাফিক পুলিস অমদি ম্যুনিসিপালিটিদা থবক শূবা শিন্মীশিংনা খুদক্তা ঈশিং থুমজিল্লিবা মফমশিং মখোয়গী ৱাটর পম্প সেদ শীজিন্নদুনা য়াম্না থুনা ঈশিং চিংথোক্লবা হোৎনৈ। মরম অদুনা অকনবা নোং তারকপা মতমদা ঈশিং থুমজিল্লিবা মফমশিং অসি ঈশিং থুমদনবা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চংবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - এল বিজয় খুমন, থোংজু পার্ট টু*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪

১। ঐখোয়গী পুৱারীদা কাউবা য়াররোইদবা মীশকশিংগী মনুংদা নিরঞ্জন সুবেদারসু অমনি। মহাক মৈতৈ নত্তে, নেপালিনি, ছেত্রি শাগৈনি। মাবুসু সাহেবনা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখিবনি।
(ক) মহাক ফাঁসি তৌখিবদু কুমজা ১৮৯১গী করি থাদনো?
(খ) মাবু পোকপা অপোকপগী মমিং করি কৌবগে?

২। "ফনা নুংশিবা কোকিলগী খোঞ্জেলসু ওইসনু। ... নূংনা শাবা থম্মোয়দা অরেম্বা ওইগনি।" ৱাফম অসি উপন্যাস, 'কালিমাই মমাঙদা লাইবক কৎপসু য়াওই, কত্তবসু য়াওই' হায়বা অদুদগীনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

৩। "শেন্দাং মচা অমা/পাইথোক্লকই পাইবা ঙম্বোই ঙমদবোই লৌবুক্তা/খুনুং খরং অমনা তাপ লাকখি।" পরেং অহুম অসিনা, 'বসন্ত ওইগেরা, নাকেন্থা ওইগেরা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। কবি অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "মচা পোকমিন্নরিবা মাগী নুপীবু হাৎকে হোৎনবা নুপা অমতা তাইবঙপানসিদা পোকহনবীরনু। মীগী নুপাবু ফাদুনা মৱা ওইবা ঙম্বী নুপীসু অমতা পোকহনবীরনু।" ৱাফম অসিমনা 'অহিংসিনা লোইদ্রিঙৈ' কৌবা উপন্যাস অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "ঐগী নুংশি লম্বীদা/মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই।" পরেংশিং অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঐখোয়গী মণিপুরগী গঞ্জাসিবু কমদৌসেবা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৭১**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ঙরাং নহান্তা ঙাইহিরি লৈঙাক্না ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকখিবা। নোংমা নীনি অসিদা নোং অমুক চুখৎলকপসিদা ঈচাও থোরক্কদ্রা ঙাঙনরকপসু য়াওরে। নহান অহিং চূপ্পা নোং লেপ্তুনা চুরকপদা লৈরক খুল্লক, সরক্কী নাকলদা ঈশিংনা পুমথুম থুল্লম্মী। খোংবান লুকপানবুদি ঈকং কংদুনা লৈরম্মী। ইম্ফাল ময়োলদি অমুকতোইবা লোইরে গাড়ী থৌদোকপা নৎত্রগদি খোঙউপ কাপ লংত্রিক লংনা থারগা চবুক-চবুক কুল্লগা চৎপা তাবনি। খোংবাল লুকপান, ৱাইশেন মরীল শেংবগী থবকপুদি ফনা য়াম্না পায়খৎলগসু মৌখৎতুনা লৈবা ঈশিংনা তুংদুনা লৈরে। ঈশিং চেল্লু য়াদ্রে। কদাইদগীসু য়াররনি। দ্রেনদি মতিক চানা পীদনা, শাইজিনগা-শাইজিনগা থেংনরগা য়ূম-কৈ পংশাদা শাগৎনৈ। মদুদগী তারকপা ঈশিংনা সরক মথক্তা চেনবা মশানা তাবনি। নোং খজিক্তং তাবদা ইম্ফাল ময়োলদা খূৎশেমগী ঈচাও থোক্লগসু লৌ উনরিবা লৌবুক্তদি ফৌ মখোঙ চোৎলু য়াদবগী ফীভমনি। লৈকায় লৈকায়গী ৱার্দ-ৱার্দশিংগী ক্লব মেম্বরশিংনা ফনা য়াম্না শেংদোক্লগসু মদুগী কান্নবা ইফং ফংলোই। মরমদি শাজিল্লুরবা লম খোপচিনবশিংগী শাইজিন, ৱাল থুগায়রুবা য়াররোই। ইভিক্সন তৌরুবদা ঈরাং থোরক্কনি। মীশি-মীনা য়াওরক্কনি। ইম্ফাল ময়োলগী খূৎশেমগী ঈচাওদগী কনবা ঙম্বগী ৱা লৈতে। হেনগৎলক্কেদনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্কী অকনবা মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই।

সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন, বঙ্গোপ সাগরদগী শিৎলকপা নোং পুবা নুংশিৎ হন্দক চহী খরা অসি মওং অমা তৌরক্লে। পুমওন ওনখ্রে। অঙৈং-অশাগী খল কায়রক্লে। গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈফু ফংদবা লম মালেমগী মফম অমত্তদা লৈত্রে। ঐখোয়গী লৌমীশিংনা নোংথক্তা য়েংদুনা কুমগী নোং ঙাইজবদু মতম চানা লাকপীখিদ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট অমদি অতৈ মফম খরদসু লৌ পানবা ঙম্নখিদবা য়াওখ্রে। হৌজিক লৌ উনরিবা মফমশিং অসিসু চাদা ৬০/৭০ রোমদনি হায়রি। কুমসিগী ফৌথোক শোয়দনা হন্থরগনি। হৌজিক কেজিদা লুপা ৫০ পীরিবা মৈতৈ চেঙ ওল্লকপা চহীদা মদুদগী হন্থরক্কনি থাজদে। হেনগৎলক্কেদনি। লৌমীশিংনা ৱাজরিবা ঈশিংসু চিংলে কংল-চিংলে কংল তৌদুনা মদুদা চঙলিবা লেবর চার্জ, থাও হানবগী চংলিবা শেল, হারগী, লৌশুমী নেকপগী ময়ামসি পাশিল্লবদা মশানা মমল হাইগৎলকপা তাবনি। মণিপুরদগী পুথোরকপা চেঙ হায়রেদনা মসি'মুক হাউবসিবু মালেমগী করম্বা মফমদা ফংলিবগে? ফৌরেন মুবী, মোইরাং ফৌ, চংলৈ, ককচেং ফৌ, কুম্বী ... হৌজিকপুদি ফৌথোক লৈবা কেদি, থোইবী অসিনচিংবা মখল মখলগী মমিং থোন্দুনা পুথোক্নরল্লি। মনম নুংশিনা থোৎ-থোৎ লাওনা ওন্থোক্না হাওখ্রবা!

মণিপুর সনা লৈবাক লাইনা পীরম্বা লমদমনি। লমদমসিদা পোকচগে মপোক মপোক খুদিংদা, লমদমসিদসু শিজগে হঞ্জিন-হঞ্জিন! অসুম্না মণিপুরগী অশৈবশিংনসু হায়বিরল্লবনি। য়াম্নসু শাদবা, য়াম্নসু ঈংদবা মখল-মখলগী মনা-মশিং, চিঞ্জাক ফংবা লমদমনি। মণিপুরদা হৌবা হঙ্গামগা ইন্দিয়াগী মফম অমদা হেক্তা ফংবা হঙ্গামগা মহাও মান্নবা হৌনদে। মণিপুরদা হৌবা য়েনম নাকুপ্পী ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা থাবদা হিংবা ঙমদে। মণিপুরগী চীংলোন কয়া লান্থোক্লগা লৈবা জিরিবাম ফাওবদা নাকুপ্পী হৌবা ঙমদবনি। নাকুপ্পী, থাংজিং, ঙারি, য়োংচাক, থম্বৌ মপান লমদমদা লৈবা মণিপুরী মচাশিংদা এরোপ্লেন্দা থানরি। থরোই ফাওবা বাই এয়রদা থানবা য়াওরি। মোরেরোমদগী, ম্যান্মারদগী পুরকপা য়োংচাক্কা মৈত্রবাক, কংলৈপাক্তা পানবা য়োংচাক্কা মহাও মান্নব্রা অমুক্তা য়েংবীয়ু! কোলকটাদা নোংমা নুমিদাংৱাই অমা ভেজিটেবল ম্যার্কেট সোল্ট লেক ষ্টেদিয়ম লৈবা অদোমদা সোপ্পিং চৎলুই। ফংলম্মী মহোয়সু নুংশিহীদাক। কাপমুক শাংবা লিংত্রিক লিংবা মখোক্তদা মনা খরা পাল্লম্মী। থৎতুনা মনম নম্লুববু মণিপুরগী নুংশিহীদাক মনম নম্ফাত্তে। মহাও য়াওদে। ন্যু দিল্লিগী ঘিটোর্নি খুঙ্গংগী অয়া নগর মার্কেটতসু চৎলুই। থেংনরুই ফদিগোম। মদুসু কাপ অনীমুক শাংই। মনাদি কূপ্না কূপ্না পাল্লম্মী। মখোক্তা মসা-মরোং লোংলগা। মদুগী ফদিগোমদুবু শোয়রগা ঙা থোংবদা থাক্লুবদা চেকশিনহৌদ্রবদি মৈখেৎ মৰু'মুক চাউবা মশাদুনা য়ারিদগা য়ুরবদি আরুম লাইহৌ হৌদবগী ৱা লৈতে। ওন্থোক্না লিংখ্রবা! শুংথোৎ থোৎত্রে। মণিপুরগী মনা-মশিংশিংদি হাওবা, মনম নুংশিবগী মথক্তা থোৎ-থোৎ লাউবা অমা য়াওরি। মণিপুরদগী হেক লান্থোকখিবগা দিমাপুর য়ৌবদা ঈশিং-নুংশিৎ পুমওন ওল্লে। মণিপুরগী নুংশিরবা নুংশিৎকী মনম তুলিহল এয়রপোর্টতগী তোংখৎলগা গুৱাহাটিগী গোপিনাথ ব্রদলোয় এয়রপোর্টতা হেক তাবগা এরোপ্লেনগী থোঙ হাংদোক্লগা কুমথবা মতমদা শারি-শারি তৌবা ওন্থোক্না হৈনখিদ্রবা ওমচাক্লবা মনম অমা নম্বীরিবদুনি। এয়র পোল্যুসননা শ্বর হোনবদা ফুনগে তৌবা য়াওখি। মদুসু শুপ্নতগী মিনট ৪০/৪৫ রোমগী ইম্ফালদগী মফম হোংবগী মতমদনি। ওহ! কয়াদা খেন্নখ্রবা। থবক্কী নৎত্রগা লম কোয়বগী মণিপুরগী ৱাংমা লানবগী নুংঙাইবদুনা অমনি। সমুদ্রদা ইরোয়রুবা, রাজস্থান্দা উট তোংলুবা, দার্জিলিংগী উন মরক্তা চেল্লুবা, কৈন্যকুমারিদা নুমিৎ তাবা য়েংলুবদুনা অমনি। কুইথনা লৈনীংবা ফাওফাৎতে। হোম সুইট হোম, য়ূম হেক্তা নীংশিংলকই। মণিপুরদা লৈবগী নুংঙাইবগা মফম অমত্তদা মান্নরমদ্রে। অদুননি হায়নরিবা ইমা লৈবাক, সনা লৈবাক মণিপুর নহাক্কী নতম্বাক্তা লৈহনবীয়ু! হঞ্জিন-হঞ্জিন পোকচগে, হঞ্জিন-হঞ্জিন শিজগে। লমদমসিদা পোকপা ঐখোয়বুদি থমখ্রগা বেঙ্গলি, বিহারি, মারৱারী ... ময়াম লাক্লগা মণিপুরদগী হল্লু য়াদ্রিবসিনি। মুচি বিহারি মচা অমনা নোংমা ঐঙোন্দা হায়খি, "দাদা শেল তানফমসু লৈতবা শাখ্রবা ঐগী পোক্লফম বিহারদা নোংমদা লুপা ১০০ তানফম থিবদা ৱায়। নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎকেরা, বোম পোক-খায়গেরা অসুক নুংঙাইবা মণিপুরদা অদুম শিজগে।"

ৱাৎত-পাদবা লৈবাকনি মণিপুর। য়েংলু-য়েংলুবা হীরম খুদিংমক্তা করিবু ৱাৎলিবগে? মহৌশাগী ফজবা-সিনিক ব্যুটি মখল মখলগী মেদিসিন প্লান্ট, শা-উচেক, ফ্লোরা এন্দ ফাওনা লাইগী লৈবাকনি, লাইগী লৈবাক! ঐখোয়গী লৈঙাক পায়রম্বা/পায়রিবশিংনা লোং টর্ম প্লান তৌবীদবদগী ৱাদনি। য়েংসি, পিকত্রু পিকপা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী পিকপা নীংতম্বা লৈবাক সান মারিনো অসি শুপ্নতগী স্কৱার কিলোমিটর ৬১খক চাউই। মীশিং লিশীং কুন্থ্রাখক লৈ। মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা লৈবাক্কী মনুং চন্না জি দি পি পর কেপিটো খ্বাইদগী লাকপা লৈবাক অদুগা অন এমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম লৈতবা লৈবাকনি। মখোয়গী পোথোক করিসু লৈতে। মণিপুরদগী মখোয়গী লমদম্না হেন্না ফজবা নত্তে। শুপ্নতগী টুরিজম/লমকোয়বা লাকপশিংগী থুংফম। চহী অমদা লমকোয়বা মীওই মিল্লিয়ন অহুম লাকই। মখোয়না থৌরিবা মখল মখলগী গাড়ী কারতনা মখোয়গী মীশিংদগী হেল্লি। ওন্থোক্না ইনাক খুনখ্রবা! ঐখোয়গীসু বন্দ-ব্লোকেদ, হিংশা, থবক থাদোক্লগা টুরিজমদা মায় ওনশিল্লবদি থবক ফংদবা লিশীং লিশীং থবক শোয়দনা ফংগনি।

লাকচনীংবা ৱাফম্না অমুক মণিপুরদা পুথোকপা পোৎলমগী মতাংদনি। মণিপুরদা পুথোকপা পোৎলম খুদিংমক মহাও, মগুন লৈ হায়বসি মালেম্না খঙনরক্লে। ইশম শম্না সেকমাইগী য়ুসিবু টকিলানা, বোটকানা, স্কোটস হ্বিস্কিনা হেনব্রা হায়বগী ৱাফম লাক্লি। ঐখোয়নদা মীগী পোৎতু তাঙনা তাঙনা লৈরগা লেল্লবনি খন্না থক্নে। শোমদনা ইন্দিয়ন আর্মি নৎত্রগা পেরামিলিটরি ফোর্স কাঙবুনা মখোয়গী সী এস দিগী ফংবা হ্বিস্কিদগী শেকমাইনা হেল্লি হায়দুনা ওন্থোক্লরগা থকমিন্নবা য়াওখ্রে। অদুগা গঞ্জাসুনি। মণিপুরগী গঞ্জাগী ক্বালিটি মালেমদা লৈতে। মীনা খৈনি, তলপ, জর্দা মখল-মখল থাজিল্লকই। অদুগা ঐখোয়গী মগুন লৈবা গঞ্জানা উবা য়াদে, ফাই। ফাইন থিহল্লি। মৈ থাদুনা মাঙহল্লি। হন্দক ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরনা গঞ্জা থাহন্নবা, মপান লমদা থাদোক্লবা কেবিনেট মীফম ফম্লগনি, ইনকমসু হেন্না লাক্লগনি হায়বসিদা ককনীংঙাই করিবু লৈরিবগে? পূম্নমক ৱাখল তামিন্ননীংবা ফাওরকই। ●

# ঐখোয়গী খুন্নাই চাওখৎহনবদা মীৎয়েং অমা -৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

তুং কোয়না ঙাক্তুনা থম্নবা মথৌ তাবা খোঙথাং খরা :

মঙাশুবদা, কাইবরোল পুয়াদা ইরিবা মতমগী খোঙলৈ তাকপা পাউতাক পাউজেলশিং খরা হায়বদি - "হে নিংথৌ খাগেম্ব ও! নঙগী নপোক অমরক ফাওরক্তুনা বামোনগী লাই-তীল তান্থোক্তুনা তুবী নয়োল চোংনা ফাওরগদবনে" অমসুং "লাইরেন ফলাংমৈদা তোংনা মীতৈ লীচৎ অরিবা অমরক হনজিল্লগদনে।" - হায়বা মথক্কী অনীসিনা তাক্লল্লিবদি - খাগেম্বা নিংথৌগী মপোক অমুক হনজিল্লকপা হায়রিবা নিংথৌ - নিংথৌসিনা ফলাংমৈদা তোংনা হায়বদি ফম্বাল তোংলিঙৈদা, পামহৈবা হাক্তক্তগী হৌনা কংলৈপাক মণিপুর অসিগী ইনিংথৌশিংনা থাগোন্নদুনা লৈরকখিবা/লাকখিবা হিন্দু লাইনীং অসিবু থাদোকখিবা, লৈবাক মীয়ামগী ওইনা লৈরকখিবা লাইনীং অসি থাদোক্লে হায়না লৈবাক হায়না লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখিবা নিংথৌদি - ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎনি। ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র (চীংথংখোম্বা) হাক্তক্তগী লৈবাক অসিগী নিংথৌশিং অমসুং কংলৈচা মণিপুরী মীতৈ হিন্দুশিংনা চৎলিবা হিন্দু লাইনীং অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লাই অমা ওইনা লৈরক্লিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দ অসিগা লৈবাক্কী নিংথৌগা লৈনরকপা মরী অদু ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ (১৯৫৫-১৯৯৬) কী হাক্তক্তদি তৎখিবদা নত্তনা মীতৈ হিন্দু বামোনশিংনা সনা কোনুংদা ঈরাৎ থৌরম তৌবা হিন্দু লাইনীংগী লাই পূম্নমক সনা কোনুংগা মরী লৈনরকখিদ্রে। হিন্দু লাইনীংগী লাই পূম্নমক্কা সনা কোনুংগা শম্নখিদ্রে।

ইনিংথৌ পামহৈবগী তরেৎশুবা মপোক থৌরমদা লৈবাক মীয়াম্না মশাগী অরিবা লাইনীংদা অমুক হনজিনগে হায়বদু নিংথৌ পামহৈবা অমসুং শান্তদাস গোসাইনা য়ারগা লৈবাক মীয়াম্না চীংঙু খোইয়ুম অশিবা সরী শিদবা লাইয়িংথৌ সনামহী মিংখৈ থাদোক্লগা রামনাম শোলহল্লগা নোংখ্রঙ ঈরুপহন্দুনা রামান্দি লাইনীং লৌহনখিবনি। নোংখ্রঙ ঈরুপখিবদগী অনম অহা চুরিবা, ৱাখল লৌশিং ফকচিল্লিবা অসি কোক্লবগীদমক খৃ: কুম ১৯৭৪ ফেব্রুৱারী ৬, ফাইরেন থানিল, য়ূমশকৈশা নুমিৎতা - নোংখ্রঙ ঈরুপহন্দুনা রামান্দি লাইনীং চৎকনি হায়না ৱাশক পরৈ পুনখিবদু - ইনিংথৌ লাংওন নিংথৌ অপানবা ওকেন্দ্রজিৎনা ৱাশক পরৈ হনবগী শরুক অমা ওইনা নোংখ্রঙ ঈরুপখিবা অদু অইবা চেরোল পাথোক্তুনা ইহনখি। মসিগী মতুং তারকপদা অমুক ইনিংথৌ অসিনা পাঙথোকখিবা য়াম্না মরুওইবা থৌদোক অমদি - খৃ: কুম ১৯৯২ এপ্রিল থাগী চৈচৎ ২৩, শজিবুগী ২১নি পানবা নুমিৎতা ইনিংথৌ অসিনা হিন্দু লাইনীং থাদোক্লগা লাইনীং অসিগী মহুত্তা মীতৈশিংগী অরিবা লাইনীং অদু অমুক হিংগৎহল্লে হায়না লৈবাক মীয়ামদা অসুম্না লাউথোকখি - "ঐনা লূবাক তাবু হাংদোক্লে অদুগা লৈবাক্কী লাইনীং ওইরিবা হিন্দু লাইনীংবু থাদোক্লে অমসুং (লাউথোক চে) অসিনা লৈবাক অসিগী চৎন-পথাপ্পা (হিন্দু লাইনীংবু) শক খঙলম্বা অদু থাদোক্লে, (মসিগী মহুত্তা) নিংথৌগী চৎন-পথাপ্পা লাইনিংথৌ-লাইনীংবু হিংগৎহল্লে অমসুং লৈবাক্কী লাইনীং ওইনা শক খঙলে।

"I open the Lubak Tabu and abandon Hinduism as state religion and recognition is hereby withdrawn by the Royal customary law of the country, instead the Royal customary law revives the Lainingthouism as state religion - King Okendrajit, declaration of Revival, Sana Konung, 23/4/1992.

পুৱারীগী ওইবা য়াম্না মরু ওইবা থৌদোক অসি য়েংলগা খাগেম্বা নিংথৌগী অমরক্কী মপোক হায়বসি ইনিংথৌ ইবুংঙো ওকেন্দ্রজিৎ ওইফম থোক্লে হায়না কাইবরোন পুয়াদা ইরিবা মতমগী খোঙলৈ তাকপা পাউতাক/পাউজেল নৈনরিবা কাঙবুশিংনা লৌনৈ। (লা: ৩৫-৩৬, চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বম খোংনাংথাবা- অইবা সাইরেম নীলবীর)।

মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফম অমদি জুলাই ১০, ২০০৯ গীদা অনীশুবা ওইনা খন্নখিবা - ষ্টেট অসিদা মীতৈ সনামহী লাইনীং চৎপশিং মাইনোরিটি ওইনা শক খঙখি হায়না এম এল এ ডা. এন জি বিজয় অমসুং ডা. আই ইবোহনবী অনীনা পুখৎলকপা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসনদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা খুমখিবদা - ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০০১গী মীকোক থিবগী মতুং ইন্না সনামহী লাইনীং চৎপা মীওই লাক্ষ ২.৩৫ লৈরগা ইন্দিয়াগী ৭শুবা লাইনীং ওইরে। ফুরুপ অমা নৎত্রগা লাইনীং অমদা মাইনোরিটি ষ্টেটস পীবসি ষ্টেটনা ঙমদবনা নেসনল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটি ষ্টেটস ফংবা য়াগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বদু হান্না য়েংশিনখিগে হায়না চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খিবা ৱারোল অমা নীংশিংবা য়াই। সোর্স :- মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৭৩ - উশম ধনঞ্জয় (হুইয়েন লানপাউদা ফোঙখিবা)।

ইরমদমসিদা সনামহী লাইনীং ঈহৌ কনখৎলক্লে হায়বগী মতিক চাবা খুদম কয়াদি ইরমদমগী মফম কয়াদা হায়বদি চীংদা-তমদা ইনাৎকী খোইয়ুম লাইশিংগী ফজ-ফজরবা শঙলেন কয়া লেপ্তুনা শক্লোন লৌরক্লি। ইনাৎকী লাইনীং লাইশোন - হায়বদি নৱা অঙাং অমা পোকপদগীনা হিংলিঙৈদা মথৌ তাবা থৌনি থৌরম, তিনশোন-লাইশোন কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা অমল শিংকুল্লবা/অমল শিংগুম্বগা মরী লৈনবা থৌরম কয়া ইশাগী ইরোলদা মচা খায়না ইনীং তম্না পাঙথোক্লরে। হেন্না হেন্নদুম পাম্নরক্লি। ইরম লাইনীং শৌগৎপা ইরমদম ঈনাৎ, ঈরোল-ঈয়েক নুংশিজবা কয়া অমা লেপ্তুনা থোরক্লি। ময়ামসিনা অমৎতা ওইনা হেক লেপ্তুনা পুনশিনবা মতমদা হান্নগী ঈনাৎ অরিবা লাইনীংদা শোয়দনা হল্লক্লগনি হায়বা ককপা ঙল্লরোইদবা মীতৈ পুয়াগী ৱাফমনি। লেপ্পা লৈতনা ইরমদম (মীরমগী মমিংনা মণিপুর কৌরিবসিগী) গী ৱাংমদা লৈবা মীতৈ ঈনাৎ চৎচবা কয়ানা ফাওবা চৎলিবা থাগী তৎনদবা থানিল নুমিৎশিংদা লেপ্পা লৈতনা মীরম লাইনীং থাদোক্লে হায়বগী নৌনা নোংখ্রঙ ঈরুপনরি।

মতম অমদা মীরম লাইনীংবু য়োকখৎলম্বা ইনিংথৌশিংনা মপাল ফরিঙৈদা ইরমচাশিংবু কয়াম মীনুংশি হৈতনা হাৎপা-তুপ্পা, ওৎ-নৈবা, নম্ফু হাফুদা মীরম লাইনীং চৎহনখিবদো কাউনদ্রবসু - হৌজিক্তদি অদুগুম্বা ফত্তবা লীচৎতো চৎসি কনাসু হায়নরমগদবা/খল্লমগদবা মান্দে। চৎপসু উদে। মতমগী খোঙলৈনা পুরকখিবনি, মতমগী খোঙলৈদা নোংমা শ্বাই মাঙখিগদবনি হায়বগী থাজনীংঙাই ওইবা পাউরৌ লৈবনা মসিগীদমক্তদি থোয়না খন্ননীংঙাই ওইদে। মরমদি - ঐখোয়গী ইচাক ইরন ওইনা লৈজরিবা পুয়া কয়াদা ইরম্বা/পীরম্বা পাউজেল কয়া ঙসি ঙসিমক অদুম চুম্না থোরক্লি। মীতোপ লাইনীংগী মরমদা য়াম্না হায়রুদ্রবসু, করম্না শিথরক্লিবসি কনগদগে হায়বগী পরিংদা মমাঙঙৈদা অসুম হায়না চৎনরম্মী অদুবু হৌজিক্তদি নোংমা নোংমগী মমি শামজিল্লক্লে অদুনা ময়োল লৈঙাক্কী অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী শেন্থংনা চলাইবা কলচরেল ইন্সটিট্যুটশিংদা, লৈঙাক্না শকখঙবা মহৈ তম্ফমশঙ (মনাৎকী) দা, লন্নাই কলচরগা মরী লৈনবা এন জি ও খরনা মখল মখাগী সেমিনার, কনফরেন্স, দিমোন্সত্রেসন কয়া মখোয় মশেল মরক্তা খন্নরগা হিংহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনবা উরিবসিনি। ঙসিদগী চহী অনী অহুমগী মমাঙদা য়াম্না পাম্নবা ইনখৎলক্লিবী নুপীমচাশিংনা থোয়না খন্থরুদনা তৌনরম্বা মওং মতৌশিংদু হৌজিক্তদি - "মীপোৎনা ইপোৎ শাবা" - ওইরম্মে হায়বসি মখোয়গী অহল-লমনশিংনা হায়বগা লোয়ননা মখোয় মশেলসু খন্ন-নৈনবদগী খঙবা হেনগৎলকপদগী, ইশম শম্না হায়রবদা, মীংগী অরোইবদা 'চনু' হায়বসি ওইনা শক তাকপা পাম্নরক্লিবসিনি। খুনুং ঈশৈ, খুনুংগী চৎনবী, খুনুং লিচৎ চৎলিঙৈগী থাক ৱাংনা ফজরম্বা, মতমগী ঈচেলদা নল্লিবা মসিগী খূৎপুথোক-ঈশৈ, ৱারী কয়াদা য়ূম্ফম ওইবা অমদা শক্তম লাংলিবা-লাংলিবীশিংগী মশাদা ফজবা মায়থোঙগী লাইবক ময়ায়দা থাজগী থানিলগী মশক মান্না 'মালেম লৈশা অমুবা মচুগী নম্বদি" - মীরম ময়াং নুপীশিংগী ফজরবা মায়থোঙগী লাইবক ময়ায়দা ইরমদমগী মালেম লৈশা নম্বগী মহৌশা মশাগী ওইজরবসু মওংদা মচু কয়াগী বিন্দি হায়না খঙনবদু মালেম লৈশা মান্না নম্বদি কয়াম ফজৈ।

কুমজা ১৭৭৬তা সাপম লোখোননা শাবা উকং লাই গোবিন্দগী মরায়বক্তা ভাগ্যচন্দ্রগী গুরু ভাস্করনা তাকপা মতুংইন্না চন্দন নমলম্মী। চন্দন কারোং থিনবদি নোরতোম গোশ্বাই (শুদ্র মচা) না হৌদোকপনি। অদুনা চন্দন কারোং থিনবদি শুদ্রগী চন্দন্নি। ষো গোষাই ময়াং তরুক লাক্তুনা মীতৈ পূম্নমক চন্দন কারোং থিনবিরে। কুমজা ১৭৭৬তা সাপম লোখোননা শারম্বা থৈবোংলাই গোবিন্দগী মরাইবক্তা নম্লম্বা চন্দন অদু মুখৎলগা ষো গোষাইনা চন্দন কারোং থিনজিনখি। (মীতৈ ঈনাৎ কায়হন্দবা অমনা মীতৈ মুৎননবা শেমজিল্লম্বা থৌরমশিং - লা: ৯৫-৯৬, অইবা - হোইদ্রোম তোমচৌ মঙাং)। ●